শ্রীল নরোত্তমদাস ঠাকুর মহাশয়গী

প্রার্থনা

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীহাওবম কুলবিধু সিংহ

প্রার্থনা


খোমজিঙবা অমসুং মৈতৈলোন্দা হন্দোকচবা

শ্রীহাওবম কুলবিধুসিংহ

কোংলবা—

শ্রীমাইবম চন্দ্রহাসসিংহ

চিংঙামখক . মেরাকপম লৈকাই



অহানবা কাংবা—১৯৭০ হং

কোপী—৫০০

 মমল—২.০০

মফম-দা ... প্রেস, ইম্ফাল

ৱাহৌদোক

শ্রীল শ্রীনরোত্তমদাস ঠাকুর মহাশয়গী 'প্রার্থনা' বু মৈতৈ বৈষ্ণব সমাজনা কয়া লুনা তৌনবা হায়বচু অমুক নৌহৌনা হায়রুবগী কান্নবা লৈতে। উৎসব মেলাদা সংকীর্ত্তন্দা, লাইশংগী নিতি সেবাদা, বৈষ্ণবশিংগী নিতি সেবাদা ঠাকুর মহাশয়গী প্রার্থনা মতেক অমত্তং শকপা ঙংবা হায়বসি চৎনৈ। হৌজিক্কী মতমদা মৈতৈরোন্দা শকশোনবা কন্না চংনরকলে। মীতৈ গায়ক গায়িকা-শিংনা হান্নগী বাঙ্গালা লোন্দা সুর ছন্দ পান্দুনা শক শোন্নবনি। অহুনা য়ারিবমখৈ হান্নগী সুর ছন্দচু কায়হন্দনা মৈতৈরোন্দা শক শোনবা য়ানবা হায়বসি মরু ওইনা আশা তৌজহুনা মৈরম মৈরম্বা শৈরেংগী মওং য়ারিবমখৈ কায়হন্দনা মৈতৈরোন্দা ওন্থোকপা হোৎনজৈ। মপা মৈতনা রাংঅবা প্রেমভক্তিগী মতুং হুজিন্না থুপনা মৈঅবা লাইনিং লম্বীগী ওইবা অমদি কৃপা মৈরবা শ্রীল ঠাকুর মহাশয়গুম্বগী মকজবা খম্মোইগী ওইবা লোনবু ঐগুম্বা করিসু খঙজ-মৈজত্রবনা ইমারোন্দা ফোংদোকপনি হায়না হোৎনজবসিদা হায়গদবদি হায়দা হায়রোইদবা হায়হুনা অপরাধ কয়া লওশিজবা পামজবতগী হোৎনজবনি হায়না ঙাকপিগনি।

মতাং অসিদা পহ্ন্নোত্রবদি পেঙজত্রবা হৌরমদি—রাগানুগা ভক্তিগী লাইনিং লম্বীগী মওাল মশাবু মাহুনা থিজবদা মরম কয়াদা তোল্লববু লমজীংবিবা ইয়াম্বা শ্রীঅহন্নেম যুগীন সিংহনা "সাধক-কণ্ঠহার" কৌবা লাইরিক মচা অমা পাহুনা য়েংজো হায়না নোংমা ঐঙোন্দা পীবি। মতম কুইনা পুকনিংদা আশা তৌজরক-

লব শ্রীল ঠাকুর মহাশয়গী পুস্তিগী ব'বী অমসুং 'প্রার্থনা' লাইরিক-সিদা খেংলজে। মফম লম ফেংজারিবা প্রাথনাগী মুল বাঙ্গালা শৈরেংসি হায়রিবা লাইরিক অসিদগী লৌথোকচবনি। মরম অসিনা ভগবানগী খোইনশিন্দগী থবক অসিদা ঐবু হনশীনবিখিবা ইয়াম্বা শ্রীমুগানসিং অমসুং সাধক কণ্ঠহার খোবা লাইরিককী সম্পাদক শ্রীম নিত্যস্বরূপ ব্রহ্মচারীগী মফমদা মপোকসিমগী লম্মল তৌজরবনি।

ইঙেন পূর্ণিমা
তাং ১৮।৭।৭০ ইং

শ্রীকুলবিধুসিংহ।
এলাংবম লৈকাই

ঠাকুর মহাশয়গী মরমদা খরদং

শ্রীশ্রীনরোত্তমদাস ঠাকুর মহাশয় খেতরী গ্রামদা ৱাকচিংগী পূর্ণিমা নুমিত্তা পোকখি। খেতরী গ্রাম হায়বসি বঙ্গদেশকী মনুংদা রাজসাহী জিলাগী মনুংদা মতমতুংগী গড়ের হাট কৌবা পরগণাগী মনুংদনি।)) মতমতুংদা খেতরী অসি পীকলবা জমীদারী রাজ্য অমগী কোক্লুং ওইরমই। রাজা কৃষ্ণানন্দ দত্ত কৌবা উত্তর রাঢ়গী কায়স্থ জমীদার অমনা রাজ্য অসি ডাক্কুনা খেতরীদা লৈরমই। মাগী নারায়ণী কৌবা রাণীগী গর্ভদা শ্রীনরোত্তম পোকখি। (শ্রীনরোত্তমনা পোকখিবগী শকাব্দ ১৪৪৩ নত্রগা ১৪৪৪ দা ওইগনি হায়না এইখোই আশংনা লেপ্লে। মানা পোকলবা মতুংদ মতম খরগী মতুংদ শ্রীশ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুনা অখোংবা লীলা লোইশিন্দুনা থুগাখি।)

শিশু শিকাশিক্ষাদগী নরোত্তম আগা মী থাদংগা মান্নদবা তোপ তোপ্পা মগুণ শংনা [illegible] শ্রীচৈতন্যদা লৈতেংই। মতৌন্দা বৈষ্ণবকী হোৎনবা মেতৌন [illegible] উবা ফংই। নরোত্তমনা হুমং থুদংগা কৃষ্ণদাস [illegible] কনা গুপ্ত ব্রাহ্মণ অমগা মফমদা শ্রীগৌরাঙ্গগী [illegible] নিংথিজবা লৌখিবা তারবাশিংবু [illegible] নখরাক যাওনা তারমই। অসুমনা ব্রাহ্মণ [illegible] মালংবা নরোত্তমগী নিংথিরবা লোখুপ [illegible] তাপ মথক অহৌনা চাকলবা মাওং [illegible] কহি ওস্পদা স্বর্গগী হুড়াংবদা [illegible] লৌখি। বারী আস অসুম চৈতন্যনা মহাপ্রভুনা [illegible] বারী হেক

তাবা শুমিং থাজুদগী [illegible] থম্মোই অসি ওপথনা লৈবা ভমদবা [illegible] উবদা রারী লাগ্নিবা কৃষ্ণদ.নগী [illegible] পোকখি। হায়রিবা থৌদোক অসিগী [illegible] থবনদ [illegible] লানবিগে হায়না অবতার [illegible] শ্রীশ্রী [illegible] প্রভুগী [illegible] লীলা লোক-শিনখি। রাগি [illegible] ক্তদা [illegible] মহানপ নরোত্তম লৈমায়-থক্তা [illegible] নাগী [illegible] ওমুং মঙুংগা মী [illegible] ময়াম [illegible] মতমদা ময়ামনা অম্ভা অসিনু [illegible] হেমাজনখি। হৌজক মহাপ্রভুনা [illegible] অচানবা মনাও অয়াম্বা [illegible] শ্রীবৃন্দাবনচিংব থামদা [illegible] কানবগী [illegible] পোথাবা [illegible] হায়রিবা শুমিং আসদগী [illegible] শ্রীধাম বৃন্দাবন দর্শন [illegible] পোকখি। মতম অসদগী হৌন নরোত্তমনা [illegible] পুনদে [illegible] তোকাখতুনা মতম অয়াম্বা [illegible] বাড়ুনা [illegible] লৌখি-- [illegible] গৌর.প্রেমগী [illegible] থম্মোইদা [illegible] লৈরে।

অমুমনা হায়নব [illegible] শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুনা সনাতন গোস্বা-মীদা দর্শন পীবগে হায়না রামকেলী গ্রামদ. লেঙলকপা মতমদা, পদ্মাবতীগী রাংমদা [illegible] মহাপ্রভুনা ‘নরোত্তম’ [illegible]” হায়না কৌখিরম্মি। [illegible] কলকালবাস শ্রীমন্ মহাপ্রভুনা

কৌবিখিবহৃদগীনি। অসুম [illegible] হায়দৈ—শ্রীমহাপ্রভুনা ইবুঙো মাগী অচানবা মনাঙ নবো [illegible] মশক ও [illegible] নবা 'প্রেম' হায়বা পোৎশকু [illegible]। [illegible] তোর্বান্দা ফুমহৌনা থম্মিরবই। নরোত্তমনা [illegible] শ্রী [illegible] আনন্দ প্রভুবু দর্শন ফংখি; প্রভুনা মমাঙহৌনা তাকখিখি "[illegible] অযুক উন্তা [illegible] শ্রীগৌরাঙ্গনা প্রেম থম্মিরম্মি"

[illegible] নরোত্তমন শ্রী নিত্যানন্দগী যাথ [illegible] লোইরহৌনা [illegible] নরোত্তম [illegible] মাঙখ্রে— [illegible] কোটি [illegible] যোগীন্দ্র [illegible] প্রে গী [illegible] নরোত্ত [illegible]

[illegible]

যুমদ পুবকলে [illegible]

[illegible]

তোম্বনা থঞ্জব অসিনচি[illegible] কংবপা সাত্ত্বিক বিকার উরুবদা অতোপ্পা মীদি লা[illegible]না [illegible] [illegible]বাত্তমসি ঙাওরে হায়না থনখ্রে। অন্তুবু শ্রীভগবান্‌নগী ভক্ত [illegible]না বৈষ্ণবশি[illegible]দি শাংকায় দৌরব। প্রেমগী খম্বাল [illegible] উবদা—হায়রিবা প্রেমগী থম্বাল অসি [illegible] শাংকাযরকপগী [illegible]জবত্তু উবা ফঙদবা অত্তগুম্বা লাইবক ফংগী মতমদু কু[illegible] [illegible] হায়বা থঙনখি।

মতম অসিদগী হৌনত্তুনা [illegible] অহুকপা প্রেমগী [illegible]শিরবা মনমসি মাযকৈ মাব শী[illegible] [illegible] শ[illegible]কখ্রে। জায়গীরদার-মকনা মাগী [illegible] [illegible] অমুক্তং উ[illegible] হায়না কৃষ্ণা নন্দদা পাউ থারকে। [illegible] [illegible]-থানিংদনা মচাবু জায়গীরদারগী [illegible] [illegible] [illegible] কয়ম্বা মতমদা অমুক্তং শ্রী[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বানা ঙাইনম্বত্ত—[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হনাওরনা তুজুংখ্রে। মত[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পা[illegible]না যাত্রা তৌবকে। [illegible] [illegible] [illegible] শী[illegible]গী লম্বৈল পাংনা [illegible] [illegible] তুম [illegible] [illegible] মথা অয়াম্বা থু[illegible]দা [illegible] [illegible] অতদা পোথাবা নাইদনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চিংনবা অমত্তবু কৈদে। [illegible] [illegible] চা[illegible] [illegible]পা নিংথৌগী মচানি—বরি[illegible] [illegible] [illegible] মথোংনা [illegible] চৎপদি থেংনখিত্রি; [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]. মৈ-তৌনা শারবা লৈঙোংনা মথো[illegible] [illegible] [illegible] থল্লুদে—মথোঙ নাবা ফাওদে চেক্লকদে [illegible] [illegible]বিবা [illegible]। মাগী থম্মোইবু

করিনে। অমনা অসুক্কী মতিক কন্না চিংখিবনা কদোমদনো মানা চেল্লিবসে হায়বা মশামক নিংথিবা খঙবা ঙম খদে। মানা থল্লিবা হায়বতব্ —কয়ানি লৈরগা শ্রীধাম বৃন্দাবন ফংগব।! শ্রীরূপ, শ্রীসনাতন, শ্রীজীব, শ্রীগোপালভট্ট অসিনচিংবা খোঙ্জাল লৈবদা মপা লৈত্তবা গোস্বামীশিংগী দর্শন্দুবু ঐবু ফঙ্গদৌরিব্র' ! শ্রীশ্রী-লোকনাথ প্রভুনা ঐবু কুপ তৌবিবগনা ! কয়া ব্রাংলিবা বৃন্দাবনগী সাধু-ভক্ত মহাজনশিংগী খুয়াগী উফুল ইকো কথক্কো হাপ্পা ফংজগদব।! গোপীনাথ, মদন মোহন্না কদৌঙৈনো ঐঙোন্দা দর্শন পীনগদৌবা ! গোপীগী পদ রণু য়াওরব শেংলবা ব্রজগী রেণুত্ত ফংজনা চাকলবা থম্মোইসি কদৌরিই হঙ্গবা ! অসুমনা খল্ল খল্লদুনা "হা গৌরাঙ্গ ! প্রাণ গৌরাঙ্গ !" হায়না শোক্ল শোল্লদুনা অতিং কুংথিল নাইদনা চেল্লকলে।

রাজকুমারগা জায়গীবদ বগা উল্লদুনা রাল্লী শাংনি হায়বদু দ কদায ! অড্ডগা অচৎ চব জৌন শং উচেক ফাওনবু পুকনিং পেৎহনবা প্রেমগী মীকপ মাসনা কনাইদগীনো ! গৌরাপ্রেমদা মাদৌনা লুপ্তিবা কনানা করি ভবনে হায়রসি করমন খঙ্গনি ! নরোত্তমগী ওঙপ্রিবা ফীভমগী চাউরাকপা মমন্দ মথাগী রাকম সিদগী বৈষ্ণব সমাজন রাগল্লা উ ববা ঙমশগনিঃ রাজা কৃষ্ণানন্দনা মচানপাত্থ বৃন্দাবন লোমদ চৎপ্রে হায়বা পাউ ফংলদুনা উল্লবা মঙ্গমদগী ফাহনা পুবকউ হাসহনা মী থন পাখ। মীশিংহুনা নরোত্তমু থেংনরবদা অঙাং অসিগী বৃন্দাবন য়ৌনিংবগী অকনবা অচেৎপা পুকনিং, মাগী নিংথিবা পাউতাক অসুং ককপা ঙমত্রবা যুক্তি তারবদা জমীদারগী ফন কনবা হুকুম পুনে লাকলসু অঙাং-

হবু ফাবা ঙমজে — মায়থীতুনা য়ুমলোমদা হল্লকখি। হায়রিবা মতম অসিমক নরোত্তমগী চহি তরাতরুক্কী মতাংনি।

অসোমদা নরোত্তমনা শ্রীবৃন্দাবন য়োরবা মতমদদি, শ্রীরূপ অমসুং শ্রীসনাতন গোস্বামী প্রভু অনিদি থুপথিরমলে — পঙকুইদি কুইথিদ্রে। পাউসি তাবদা নরোত্তম লৈপাক্তা ওন্থোইনা বিলাপ তৌজখি। থুনমক নরোত্তমনি শ্রীজীব গোস্বামীনচিংবগা উন্নজরে। গোস্বামী-শিংনা নহা ওইরিবা নরোত্তমগী অংকপা প্রেম অমসুং ভক্তি উবদা থোক্লদোকনা পেনশিনখি অমসুং সাবু পুংশিনা চান্না তৌবিখি। মতম অসিমক্তা মমিং চৎলবা শ্রীনিবাস আচার্য্যসু শ্রীবৃন্দাবনদা পুংলগা অনিসিবু শ্রীব্রজমণ্ডল দর্শন ফংহন্নবগী থবকসি শ্রীজীব গোস্বামীনা শ্রীরাঘব পণ্ডিত গোস্বামীদা শিন্নখ্রে।

অতুগী তুংদা নরোত্তমনা শ্রীলোকনাথ গোস্বামী প্রভুবু দর্শন ফংজরুবদা, গোস্বামীগী চরণদা মশা কাথোকখি। শ্রীলোকনাথনি কনাদসু দীক্ষা পীদোক্তে হায়রিবা রাশক অমা লৈরমখি। নরোত্তমনা মাগী অভিষ্টদেবগী তমথীরবা রাশক অসি থজনকপা মতমদা ওন্থোকনমক থমোয় শোকখি, অদুবু মানা কুইনা নিঙজন্নকলবা আশাত্থ পাক হেক থাদোকখিদে। মহাকনা য়ামনা লোংনা কনা অমত্তা থ হুন্দনা গোস্বামীপাদগী সেবা তৌবা হৌখি।

নরোত্তমনা তৌরিবা মতমাংদগী মাগী থকনবা আশা অমসুং নিঙহন্নবা নাইদবা থীজাগ লৌরনা নত্তো করমনা গোস্বামী প্রভুগী অরোনবা সেবা পীজগোক্লকনা হায়রক্ত বৈষ্ণব সমাজনা খুদবা তাদবা লেত্রবা রাক্লগে। হায়নাদবা য়াম্লীসি তাবদা তুজুংদবা কনা য়াওবগে? শ্রীলোকনাথনি মাগী অরোনবা মনাইসি কনা

ওইরিগবা হায়বাস থডনিংবগী [illegible]নবকনে [illegible]নাংমা নোং ডান্দ্রিবৈদা থংহৌদনা মপ [illegible] হেক [illegible]কপদা লিংথোগী মচানিপা [illegible]মগী তৌরম [illegible] শ্রী[illegible]গোস্বামীনা থেংনখ্রে। নরোত্তমদ মান [illegible] গোস্বামীগী চরণদা তুরগা মাগী মপু [illegible] চরকপদা শ্রীলোকনাথ গোস্বামী [illegible] লোয়ননা তাকপি [illegible] "মাতবু [illegible] তৌনবিবা, অত্তু- গুম্বা প্রেমত্তন [illegible]" [illegible] তাকপিরগা শ্রীলোকনাথ গোস্বামী [illegible] থুংহনবিগে হায়বা [illegible] ওতননক চাক [illegible]মগী মতমদি নরোত্তম গুরুদেবগী সেবা [illegible] মুমেদ [illegible] মপুং ফাববদ [illegible] নরোত্তমনা শ্রীশ্রীলোকনাথ গোস্বামী প্রভুগী [illegible] খংলে।

শ্রীধাম বৃন্দাবনদা [illegible] শ্রীনিবাস আচার্য্য প্রভু অমসুং শ্রীশ্যামানন্দ প্রভু অমসুং নরোত্তমগা মঙ্গ [illegible] রমহং। শ্রীজীব গোস্বামীনা অহুম [illegible] ভক্তিশাস্ত্র [illegible] তম্বিখি। অহুমকসু [illegible] প্রতিভা [illegible] পাণ্ডিত ওইনাথ [illegible] শ্রীজীব গোস্বামীনা নরোত্তমদা "ঠাকুর মহাশয় হায়বা মিংথোল [illegible]

বাঙ্গালা দেশদা ভক্তিগী [illegible] হায়দুনা শ্রীজীব গোস্বামীনা নহা [illegible] মাগী [illegible] পিক থম্না হাপলবা উপু অমা [illegible] মী [illegible] লোয়ননা পীরগা

থারকলে। অতুবু লম্বেন্দা বননবিষ্ণুপুরগী নিংথৌ বীর হাম্বিরগী ডাকু কাণ্ডবু অমন হায়রিবা উপুসি হুত্নী পুথি। হুম্রিবা লাই-রিকশিংসি থিবা ফংবা ভম্ব। য়েংগে হায়ত্না শ্রীনিবাসাচার্য্য প্রভৃদি লাইরিক মাণ্ডাথবা লমহুৎ। অহুম লৈহোরে অমসুং মানা হায়রবদগী ঠাকুর মহাশয়না শ্যামানন্দ পুহ্না খেতরীদা লাকখি। মানা য়োরকপসিদা খেতরী অসি শিরুবদগী হিঙ্গৎলকপহু মণ্ডায়খ্রে। মপা মমা, শাগে নাতৈ, অমসুং মরূপ মপাং পূশনমক নরোত্তমু অমুক ফংবসিদা হরাওরে।

মতৌ অসুমনা মতম খরা য়ুমদা লৈরগা ঠাকুর মহাশয়না মথং মথং শ্রীধাম নবদ্বীপ, শান্তিপুর, ত্রিবেণী অসিনচিংবা অশেংবা তীর্থ অমদি শ্রীগৌরাঙ্গমহাপ্রভুগী অমসুং হবুভোগী পার্ষদশিংগী নীংশীং-খুদম লৈবা মফম কয়া দর্শন তৌখি। অতুদগী ঠাকুর মহাশয়না শ্রীনীলাচল ধাম য়ৌখি। মফমসিদা মহাপ্রভুগী অচানবা মনাই কয়া উন্নখি। শ্রীগৌরাঙ্গ কাখনদগী ব্রাহ্মন লৈরমলবা মনাইশিংনা নরোত্তমগা উন্নবদা হরাওনখি। মথংদা শ্রীখণ্ড য়ৌরক্লনা শ্রীনর হরি ঠাকুর মহ শয়গা উন্নখ। অতুদগী কাটোয়াদ শ্রীমহাপ্রভুগী শম ফুমথিবা শেংলবা সমাধি দর্শন তৌখি। মতৌ অসুমনা মখল মখা অয়াম্বা তীর্থ কয় কোয়রুরগ মমৈদ খেতরীদা অমুক হল্লকখি।

মতম অসিদগী হৌরহ্নবা খেতরী হায়বা মফমসি অনৌবা মওং অমদা ফজবদা মমিং চংলকলে। মঙ্গলগী মশক ওইরবা শ্রীহরিনাম সঙ্কীর্ত্তনগী সুংশিরবা খোঞ্জেল্লা, পুং করতালগী সুংশিরবা তালনা খেতরী অসি পূশনীন নিনখরে। অনৌবা ময়েক, অনৌবা ইশৈ, অনৌবা সুর অমসুং অনৌবা ভাবতা ইনৌ-নৌবা নিংথিজবা মওং

অমা মাইকৈ মরিদা শন্দোরকলে। ঠাকুর মহাশয়না হৌদোকখিবা 'গরাণ হাটী' হায়রগা খঙনবা কীর্ত্তন অসি মতম অসিদগী মমিং চৎপা হৌখি। গড়ের হাট কৌবা পরগণাদা ইহান হান্না হৌখি হায়দুনা কীর্ত্তনসিবু 'গরাণহাটী" হায়না খঙনখি।

খরা লৈরগা শ্রীনরোত্তম ঠাকুর মহাশয়না মতম অমত্তদা খেতরীদা শ্রীবিগ্রহ তরুকথক লিংখৎখি। মখোংশিংনা তরুকগী নাম গৌরাঙ্গ, বল্লভীকান্ত, শ্রীকৃষ্ণ, ব্রজমোহন, রাধারমণ অমসুং রাধাকান্ত কৌই। লমদা থাগী পূর্ণিমা নুমিত্তা শ্রীবিগ্রহ তরুকমক অভিষেক তৌবগী চাউরবা মহোৎসব অমা পাঙথোকখি। মতমদুগী হেক লৈরিবা বৈষ্ণব খিবিক বার্ত্তন তৌদুনা কাঙবু কাঙবু খেতরীদা তিল্লখি। লফুপাম্বী, হৈনৌ মশা, লৈ তুলসী, ধূপ, গন্ধচন্দন অমদি ঘী থাউমৈগী নিংথিরবা মঙান্না খেতরী অসি বৈকুণ্ঠদু-মঙায়খ্রে। ঠাকুর মহাশয়গী অনৌবা সুরদা অনৌবা তালদা 'গরাণহাটী কীর্ত্তন" হৌগৎশকপদা তিল্লিবা বৈষ্ণব খিবিক অসি পুমসুম শুক্ষৎখিরমই। কীর্ত্তনগী মুঙাইবদা লুপলবা রাজা কৃষ্ণানন্দনা মাগী লৈজবা লন্থ মমথে খাকপা লৈতনা য়েন্থোকখি। ধন্যনি কীর্ত্তন অদো, ধন্যনি মহোৎসব অদুবু লিংখৎখিবা! হায়রিবা মহাসংকীর্ত্তনসিনা স্বর্গ-মর্ত্ত্য অমত্তা ওইবগুমখি। হায়নবা লৈ মহাসংকীর্ত্তনগী রাসরঙ্গ অসিদা সংকীর্ত্তন-রাসবিহারী শ্রীগৌরহরিনা ইবুঙো মাগী ভক্ত ময়ামগা লোয়ননা লেঙবিরকখি। অসিগুম্বা মহাসংকীর্ত্তনগী রাবু কনানা করম্বা লোম্না কোংদোকপা ঙমগনবনো। ভাবুক ভক্তশিংনা রাখনগী মীৎয়েংনা অঙকপা কুম্মৈদু য়েংবিগদবা মঙায়রে।

উৎসব অসিদ্দা শ্রীনিবাসাচার্য্য প্রভুগা লোয়নরক্তুনা অথোইবা ভগবানগী ভক্ত ওইরবা শ্রীরামচন্দ্র কবিরাজস্ন খেতরীদা লাকথি। শ্রীরামচন্দ্র কবিরাজ অসি ঠাকুর মহাশয়গা অমুক্কী মতিক লুনা তিন্নখি—থাদোকনবা ঙমদত্থনা কবিরাজ মহাশয়সি ঠাকুর মহাশয়গা খেতরীদা অত্থম লৈমিন্নখ্রে।

মতম অসিদগী হোৌনা ঠাকুর মহাশয়গী অঙকপা নাম-প্রচার হৌখ্রে। মহাশয়গী নিংথিবা পাউতাক তাবদা মী কয়া কয়ানা দীক্ষা লৌত্থনা পোকপগী মহৈ য়ান্নখি।] ঠাকুর মহাশয়সি কায়স্থনি; অত্থবু ব্রাহ্মণ কয়ানা অমদি মীকোক খোংবা কয়ানা মহাশয়দা দীক্ষা কংখি। হীরম অসিদা মহাশয়বু য়াদবা কাঙবুনা সমাজদা চাউরবা ঈরাং অমা হোৌহনখি অত্থবু যুক্তি তর্কদা ঠাকুর মহাশয়গী দন্দনা মপুংফানা জয় ওইখি। মা খীবব ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিংত্থনা মথবাই মুংঙাইরত্থনা রাজা নরসিংহগী মফমদা রাকৎলুত্থনা ব্রাহ্মণা কায়স্থদা গুরু ওইবসি থিংবিনবা হায়রুবে। রাজা নরসিংহনা পণ্ডিত ময়াম অমা লোয়নরত্থনা খেতরীগী মনাক্তা শাক্তুনা মক্কম অমদা থুংক্কম শেমলগা ঠাকুর মহাশযদা পাউ থারকলে। মতম অত্থদি ঠাকুর মহাশয়দি তর্ক বিতর্কগী থবকসি থাদোকলত্থনা মতম চুপ্পা ভজন তৌত্থনা মতম লেনখ্রবনি। মরম অত্থন' নিংথৌনা কৌবসিদা ঠাকুর মহাশয়দি লেঙথোরক্তে। শ্রীরামচন্দ্র কবিরাজগা ঠাকুর মহাশয়গী শিষ্য শ্রীগঙ্গানারায়ণ চক্রবর্ত্তী মহাশয়গা অনিসি লাক্তুনা নিংথৌনা পুরকলিবা পণ্ডিত কাঙবুত্থবু মপুংফানা মায়থীবা পীখি। মরৈ য়েংনবদা চুমনত্তা মায়থীরে হায়রবত্তা নত্তে – সাধুসঙ্গ তৌরুবগী অঙকপা মগুন্না অমদি নিংথিরবা ধর্ম্মগী

পাউত্তাক তাজরুবদগী রাজা নরসিংহ, মাগী রাণী রূপমালা অমস্তুং লোয়নরকপা পণ্ডিত ময়ামন্ত থান্দনা ঠাকুর মহাশয়গী শিষ্য ওইখি। লংলবা বৈষ্ণবগী মগুন্দা নাপন্না অস্তুমনা মায়থীবা উবসিদা নাপনবু মন্ত্র ফংনা মাঙহনবিবা শ্রীহরিনা চঞ্জরকপা মনাইবু চানবিবা অসিগুম্বা রাসি তাবদগী লৈবাক শীনবা থুংনা বৈষ্ণবশিংনা হরিধ্বনি তৌরকলে। অস্রিদস্তু নত্তনা খৌজালগী মশক ওইরবা নরোত্তম ঠাকুর মহাশয়না তোল্লবা তারবা কয়াবুস্তু লানবিখি।

অস্তুম তৌনা মতম থরা খেতরীদা লৈরমলগা শ্রীরামচন্দ্র কবিরাজ মহাশয়দি শ্রীধাম বৃন্দাবন্দা চৎখ্রে অমস্তুং মফম অদুদগী অমুক হন্নকখিদ্রে। চান্নরবা মরূপসি কায়নবদগী ঠাকুর মহাশয়সি অতৈ কনাগম্ব খোইনা র-লান ভাঙনখিদ্রে। 'প্রেমস্তূলী' কৌবা লাইলিংফমদা অহিং সুংথিল নাইদনা মত্তোমত্তা লাই নীংহুনা লৈখ্রে। মত্তম পুম্বদা ভগবানগী স্মরণদা শুকনিং লুপথিহুনা মিত্তগী শিম্বরকপা পিনা অতৎ অথম নাইখিদে মত্তম অসিদা থম্মোয় থিনগাংহনা হোরকপা শ্রীঠাকুর মহাশয়গী প্রেমগী ঈথকইপোমদগী চেম্বরক্তুনা "প্রেমভক্তিচন্দ্রিকা," "প্রার্থনা" অসিনচিংবনা লাইরিকশী মওং লৌত্নবা বৈষ্ণবজগৎপু তোঙ্কক ফাওবা ভালহনবিরি।

শ্রীল নরোত্তমদাস ঠাকুরগী

প্রার্থনা

(১)

গৌরাঙ্গ বলিতে হবে পুলক শরীর ।
হরি হরি বলিতে নয়নে ব'বে নীর ॥
আর কবে নিতাই চাঁদ করুণা করিবে ।
সংসার বাসনা মোর কবে তুচ্ছ হবে ॥
বিষয় ছাড়িয়া কবে শুদ্ধ হবে মন ।
কবে হাম হেরব সেই বৃন্দাবন ॥
রূপ রঘুনাথ বলি হইবে আকুতি ।
কবে হাম বুঝব সে যুগল পিরীতি ॥
রূপ রঘুনাথ পদে রহু মোর আশ ।
প্রার্থনা করয়ে সদা নরোত্তমদাস ॥

(২) (প্রার্থনা)

গৌরাঙ্গ শোনবদা হকচাংদা তুজুংগান ।
হরি হরি শোনবদা মীৎতা ঈবা চেনগনি ॥
অতুগা কৈদোঙৈ নিত্যাইনা চানবিগনি ।
সংসার বাসনা কৈদোঙৈদা থাদোক্কনি ॥
বিষয় থাদোক্লুনা শুকনিংসি শেংগবা ।

কৈদোউঙদা ঐনা বৃন্দাবন উজগবা ॥
রূপ রঘুনাথ শোনবা পামজগবা।
কৈদোউঙে ঐনা অনিগী প্রেম * খঙ্জগবা ॥
রূপ রঘুনাথকী চরন্দা লৈজগে আশা।
প্রার্থনা তৌজরিয়ে নরোত্তমনা তত্তনা ॥

(২)

হরি! হরি! কি মোর করমগতি মন্দ।
ব্রজে রাধাকৃষ্ণ পদ, না ভজিনু তিল আধ,
না বুঝিনু রাগের সম্বন্ধ ॥
স্বরূপ সনাতন রূপ, রঘুনাথ ভট্ট যুগ,
ভূগর্ভ শ্রীজীব লোকনাথ।
ইহা সবার পাদপদ্ম, না সেবিনু তিল আধ,
আর কিসে পুরিবেক সাধ ॥
কৃষ্ণদাস কবিরাজ, রসিক ভকত মাঝ,
যেঁহো কৈল চৈতন্যচরিত।
গৌর-গোবিন্দ লীলা, শুনিতে গলয়ে শিলা,
তাহাতে না হৈল মোর চিত ॥

* 'অনিগী প্রেম'—শ্রীরাধামাধবকী অমনা অমদা লৈবা প্রেম। প্রেম অসিদি খঙবা পাক হেক ঙমবদে। মসিবু খঙগ্রবদা সংসারগী জীবগী চহবা রসগী প্রেম অদুবু পাম্মঙ্কে অমসুং সংসার মায়াদগী লাহোকপা ঙমই। অদুনা ঠাকুর মহাশয়না "কৈদোউঙে খঙ জগবা" হায়না প্রার্থনা তৌরিবনে।

সে সব ভকত সঙ্গ, যে করিল তার সঙ্গ
তার সঙ্গে কেনে নহিল বাস।
কি মোর দুঃখের কথা, জনম গোঙাইনু বৃথা
ধিক্ ধিক্ নরোত্তম দাস ॥

(২) (মোঙ্গবা)

হরি! হরি! ঐগী কর্ম্মে-খোঙ্‌চৎ কয়রমাগে।
রাধাকৃষ্ণগী চরণবু, নীংলুগে খোয়দিং মথায়'মু,
রাগগী মরীমু * খঙ্‌লুদরে ॥
স্বরূপ সনাতন রূপ রঘুনাথ ভট্ট অনি, †
লোকনাথ ভূগর্ভ শ্রীজীব।
খুদাইগী চরণ থম্ব ন্দ, সেবা তৌহৌগে করি'মতা,
করমনা থুংগনি অনীংব ॥
চৈতন্যচরিত ইরম্ব ভক্তলক্তা রস খঙবা,
কৃষ্ণদাস কবিরাজনিদো।
গৌর-গোবিন্দ লীলা, তাবদা নুংবু শোদোকপা
মাহুদা পুকানং লুপলুব্রেদে ॥

---

* রাগগী মরী ক'য়বদা শাস্ত্রত রাধিকাদা চংবী ব্রজদেবীশিংনা রাগনা মরম ওইদুনা করমনা শ্রীকৃষ্ণবু কংবগে হায়রংবুনি। অমরোমদনা রাগগী মরী হায়বদি রাগানুগা ভক্তি চংদা মরীমক্তা ভক্তাশংদা মুংশিবা গে কলুগে হায়বনি। অদুবনি মগনদা স্বরূপ সনাতননচিংবা হায়দুনা শীংথারকাংবাস।

† ভট্ট অনি—শ্রীগোপাল ভট্ট অমসুং শ্রীরঘুনাথ ভট্ট; রঘুনাথ—শ্রীরঘুনাথ দাস।

ভক্ত পুম্বচুগী সঙ্গ, তৌজহৌবা মানা সঙ্গ,
মাহুগসু নৈমিন্নহৌদেদা !
ওস্থোকপনি অরাবনি, অরেম্বদা হৌগ্রে পুন্সিসি,
তোঞ্জিদা নরোত্তম তোঞ্জিদা ॥

(৩)

রাধাকৃষ্ণ ! নিবেদন এই জন করে।
দোঁহ অতি রসময়, সকরুণ হৃদয়,
অবধান কর নাথ ! মোরে ॥
হে কৃষ্ণ গোকুলচন্দ্র ! হে গোপীজনবল্লভ !
হে কৃষ্ণপ্রেয়সী শিরোমণি !
হেমগৌরী শ্যাম গায়, শ্রবণে পরশ পায়,
গুণ শুনি জুড়ায় পরাণী ॥
অধম দুর্গতি জনে, কেবল করুণা মনে,
ত্রিভুবনে এ যশঃ খেয়াতি।
শুনিয়া সাধুর মুখে, শরণ লইনু সুখে,
উপেক্ষিলে নাহি মোর গতি ॥
জয় রাধে ! জয় কৃষ্ণ ! জয় জয় রাধে ! কৃষ্ণ !
কৃষ্ণ ! কৃষ্ণ ! জয় জয় রাধে !
অঞ্জলি মস্তকে করি, নরোত্তম ভূমে পড়ি,
কহে দোঁহে পূরাও মন সাধে ॥

(৩) (প্রার্থনা)

রাধা কৃষ্ণ ! হঙ্গৎচরি ননাইসিনা।
অনিমক রসময়নি, থৌজানগী থম্মোইনি,
চানাবয় হবুডো ননাইদা ॥

হে কৃষ্ণ গোকুলগী থা ! হে গোপীশিংগী চান্নবা !
হে কৃষ্ণগী চান্নবী অথোইবী।
সনাগী কুচু শ্যামগনি, তাবা ফংজৈ নাকোংনদি,
গুণ তাবদা ঈংজৈ থন্নায়সি ॥
তোন্নবা তারবা মীদা, থৌজাত্ত পীবিদো হেক্তা,
মন্নোল অহুমদা 'সুমনা ফাওরি।
তাজৈ সাধুগী মুখদা, চঙজৈ হরাও হরাওনা
তাবিদ্রর্থদি লৈজন্রে গতি ॥
জয় রাধে ! জয় কৃষ্ণ ! জয় জয় রাধে ! কৃষ্ণ !
কৃষ্ণ ! কৃষ্ণ ! জয় জয় রাধে।
কোকথক্তা থুং লোন্নদুনা ওন্থোইল' নরোত্তমনা
হায়জৈ থুংহনবিয়ু নীংজবসে।

(৪)

হরি ! হরি ! 'হন দিন হইবে আমার।
তুঁহু অঙ্গ পরশিব, তুঁহু অঙ্গ নিরখিব,
সেবন করিব দোঁহাকার ॥
ললিতা বিশাখা সঙ্গে, সেবন করিব রঙ্গে,
মালা গাঁথি দিব নানা ফুলে।
কনক সম্পুট করি, কর্পূর তাম্বুল পুরি,
যোগাইব অধর যুগলে।
রাধাকৃষ্ণ শ্রীচরণ এই মোর প্রাণধন,
এই মোর জীবন উপায়।
জয় পতিতপাবন, দেহ মোরে এই ধন,
তোমা বিনা অন্য নাহি তায় ॥

শ্রীগুরু করুণাসিন্ধু, অধম জনার বন্ধু,
লোকনাথ লোকের জীবন।
হা! হা! প্রভু কর দয়া, দেহ মোরে পদ ছায়া,
নরোত্তম লইল শরণ॥

(৪) (লালসা)

হরি! হরি! ওইরক্লদ্রা ঙমিত্তো ঐগী!
অনিগী অঙ্গ শোকচনি, অনিগী অঙ্গ উজনি,
সেবা তৌজগনি অনিমক্কী॥
ললিতা বিশাখা য়াওনা, সেবা তৌজনি হরাওনা,
লৈপরেং লেংজগে লৈশু মথেন্না।
সনাগী শেল্পাক থক্কুদা কর্পূর তাম্বুল হাপ্তুনা,
থৌগঞ্জগে চীঙ্গাল অনিদা॥
রাধাকৃষ্ণগী চরন্দি, ঐগী থব্রায়গী লল্লি,
অসিতনা হিংনবা পাম্বৈনি।
জয় পতিতপাবন. * পীনৌ অসিগুম্বা লল,
নং নত্তনা কনা লৈত্রবনি॥

---

* শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমসেবাদি শ্রীগুরুগী কৃপা নত্তনা কংবা ঙমদে; মরম অদুনা নিজগুরু শ্রীলোকনাথ গোস্বামীগী থৌজাল নিজদ্রি। "জয় পতিতপাবন ………… তোকপা নরোত্তমনা চঙজরি" হায়বা মতাংসি অর্দ্ধ-বাহ্যদশাদা হায়বনি।

শ্রীগুরু থৌজাল হৈবা তোল্লবগী মরূপ ওইবা,
লোকনাথ জগৎকী থৱায়নি।
হা! হা! প্রভু থৌজানবিয়ু, চরন্দা চঙজক্কম পীবিয়ু,
তোল্লব নরোত্তমনা চঙজ র ॥

(৫)

হরি! হরি! বিফলে জনম গোঙাইনু।
মনুষ্য জনম পায়া, রাধাকৃষ্ণ না ভজিয়া,
জানিয়া শুনিয়া বিষ খাইনু ॥
গোলোকের প্রেমধন, হরিনাম সঙ্কীর্ত্তন,
রতি না জন্মিল কেনে তায়।
সংসার বিষয়ানলে, দিবানিশি হিয়া জ্বলে,
জুড়াইতে না কৈনু উপায় ॥
ব্রজেন্দ্রনন্দন যেই শচীসুত হইল সেই,
বলরাম হইল নিতাই।
দীন হীন যত ছিল, হরিনামে উদ্ধারিল,
তার সাক্ষী জগাই মাধাই ॥
হা হা প্রভু নন্দসুত। বৃষভানুসুতাযুত,
করুণা করহ এইবার।
নরোত্তম দাস কয়, না ঠেলিহ রাঙ্গাপায়,
তোমা বিনে কে আছে আমার ॥

(৫) (লোণ্ডবা)

হরি! হরি! অরেম্বদা পুন্সি হোখরেদো।
মীওইবা মপোক ফংজগা, রাধাকৃষ্ণদ নীংদনা,
খঙনা তানা হুবু চারুরেদো ॥

গোলোকী প্রেম ওইবা লল, হরিনাম সংকীর্ত্তন,
মাহুবু করিগী পামশিলহোদে।
সংসার-বিষয়গী মৈনা, অহিং শুংথিল চাকলে লকাদা,
ঈংননবা পাম্বৈসু তৌহোত্রে॥
ব্রজনিংথৌগী মচাহুনা, ওইরে শচীগী মচা,
বলরামনা ওইরে নিত্যাই।
তোম্ল তার' পৈরম্বা পুম্বা, লানবিথরে হরিনামনা,
মাগী সাক্ষী জগাই মাধাই॥
হা নন্দগী মচাইবুংঙো! শ্রীরাধিকাগী মবুঙো!
খৌজানবিরো হন্দক-মপোকসি।
হায়জে নরোত্তমদাসন ইঙ্গোকপিনু ঙাঙ বা চরম্না
নং নত্তুনা কনা লৈরি ঐগী॥

(৬)

হরি! হরি! কবে মোর হবে সুদিন।
ভজিব সে রাধাকৃষ্ণ হৈঞা প্রেমাধান॥
সুযন্ত্রে মিশাঞা গাব সুমধুর তান।
আনন্দে করিব দুঁহার রূপগুণ গান॥
'রাধিকা গোবিন্দ' বলি কান্দিব উচ্চৈঃস্বরে।
ভিজিবে সকল অঙ্গ নয়নের নীরে॥
এইবার করুণা কর রূপ সনাতন।
রঘুনাথ দাস মোরে শ্রীজীবজীবন॥
এইবার করুণা কর ললিতা বিশাখা।

সখ্যভাবে মোর প্রভু সুবলাদি সখা ॥
সব মিলি কর দয়া পুরুক মোর আশ।
প্রার্থনা করয়ে সদা নরোত্তম দাস ॥

(৬) (সাধকদেহনা তৌজবা লালসা)

হরি ! হরি ! কৈদৌঙৈনো য়াইফগবা । *
প্রেম' মথা পোন্দুনা রাধা কৃষ্ণ নীংজগবা ॥
দুংশিবা যন্ত্রদা নিংথীবা তান থাড়না।
শকচগবা অনিগী রূপগুণ দুংঙাইনা ॥
রাধা গোবিন্দ কৌড়না কপচনি খোঞ্জেল রাংনা।
চোৎচনি পুমচোৎ হকচাং পুম্বা মীৎকী পিনা ॥
থৌজানবিরো রূপ-সনাতন হন্দকমুক্তি।
ঐগী থরায়নি রঘুনাথ দাস শ্রীজীবদি ॥
থৌজানবিরো হন্দক্তি ললিতা বিশাখা।
সখ্যভাবতা প্রভু সুবলনচিংবা সখা ॥
থুংহনবিরো ঐগী আশা ময়াম চঙহনা।
প্রার্থনা তৌজরিয়ে নরোত্তমনা তঙনা ॥

(৭)

প্রাণেশ্বর ! নিবেদন এইজন করে।
গোবিন্দ গোকুলচন্দ্র, , পরম আনন্দকন্দ,
গোপীকুলপ্রিয় দেখ মোরে ॥

---

* ইবুঙো-ইবেম্মগী নাম থোন্দুনা লেনবা ওমগদবা মুমিত্তু,বুনি য়াই-ফবা মুমিৎ হায়না ঠাকুর মহাশয়না নীংজরিবনি।

তুয়া প্রিয় পদসেবা, এইধন মোরে দিবা,
তুমি প্রভু করুণার নিধি।
পরম মঙ্গল যশে, শ্রবণ পরশ রসে,
কার কিবা কায নহে সিদ্ধি॥
দারুন সংসার গতি, বিষম বিষয় মতি,
তুয়া বিস্মরণ শেল বুকে।
জর জর তনু মন, অচেতন অনুক্ষণ,
জীয়ন্তে মরণ ভেল দুঃখে॥
মো বড় অধম জনে, কর কৃপা নিরীক্ষণে,
দাস করি রাখ বৃন্দাবনে।
শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য নাম, প্রভু মোর গৌরধাম,
নরোত্তম লইল শরণে॥

(৭) (নোঙবা)

থরায়গী মপু! হঙ্গৎচার ননাহঁসিনা।
গোবিন্দ গোকুলগী ধা, পরমানন্দ ওহবা,
গোপী চাম্রবা য়েংবয়ু এড়োম্দ॥
চরণ সেবা তৌজবা, পীনাবয়ু ননসিত্তা,
হে থোজানগী তুংফম ওহবা।
মঙ্গলগী মশক ওহরবা, মিংচৎকী রস * তাবদা,
করম্বা থবকনো পাঙেংডাহদবা॥

---

* মিংচৎকী রস—শ্রীকৃষ্ণগী রূপ গুণ লীলানচিংবগী রস তাজবা মদণগী মশকনি।

সংসার' লম্বী তমথীগ্রে, বিষয়' রাখল শাথীখ্রে,
অকাউবা * তাশোন্না থাবদা।
পুকনিং হকচাং চাকথেকলে, মিকুপ খুদিং জ্ঞান মাঙলে,
শিরে হিংনা হিংনা রাবতনা॥
থোইনা তোল্লবা ঐহাকপু, থোজ্ঞানগী মীৎয়েংনা য়েংবিয়ু,
ননাই গুইনা থম্বিয়ু বৃন্দাবন্দা।
শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য কোৗবা, থর'য়গী মপু গৌরধামদা
চঙজরি তোল্লব' নরোত্তমনা॥

(৮)

গোবিন্দ! গোপীনাথ। কৃপা করি রাখ নিজ পদে।
কাম ক্রোধ ছয় জনে, লয়ে ফিরে নানা স্থানে,
বিষয় ভুঞ্জায় নানামতে॥
হইয়া মায়ার দাস, করি নানা অভিলাষ,
তোমার স্মরণ গেল দূরে।
অর্থলাভ এই আশে, কপট বৈষ্ণব বেশে,
ভ্রমিয়া বুলিয়ে ঘরে ঘরে॥
অনেক দুঃখের পরে, লয়েছিলে ব্রজপুরে,
কৃপা ডোর গোলায় বান্ধিয়া।
দৈব মায়া বলাৎকারে, খসাইয়া সেই ডোরে,
ভবকূপে দিলেক ডারিয়া॥

---

* অকাউবা—শ্রীকৃষ্ণবু কাউবা।

পুনঃ যদি কৃপা করি, এ জনার কেশে ধরি,
টানিয়া তুলহ ব্রজধামে।
তবে সে দেখিবে ভাল, নহে বোল ফুরাইল,
কহে দীন দাস নরোত্তমে॥

(৮) (নোঙবা)

গোবিন্দ! গোপীনাথ! চানবিয়ু থম্বিয়ু চরণ থম্বান্দা।
কাম ক্রোধ নিপা তরুকনা, কোয়পু পুরে মকম কয়াদা,
পীজরে বিষয় মথল মথা॥
মায়াগী মনাই ওইরে, মথল মথল পাম্মুরে,
কয়া লাপনা নংবু কাউরুরে।
শেল কংনিংবা আশানা, বৈষ্ণব শাশিন্নহ্না,
য়ুম থুদিংদা কোয়না চৎলুরে॥
কয়া য়ায়বা ফুংদা, পুবিরকলে ব্রজপুরদা,
কৃপা থোরীনা ওক্তা পুন্দুনা।
কর্ম্মগী দোষ কনখিবনা, থোরীহবু থদম্ভুনা,
থাদবিরে সংসার গুহাদা॥
অমুক্তংগা চানবিহ্না, ননাইগী মশম পায়হ্না
চিংথৎপিয়ুগবা ব্রজ থামদা।
মাহ্না মাপী করনি, হায়নঙাই লৈত্রে নত্তনদি
হায়জে তোয়বা নরোত্তমনা॥

(৯)

পতিত পাবন প্রভু মদনগোপাল।
শ্রীগোবিন্দ গোপীনাথ, তুমি অনাথের নাথ,
দয়া কর এই অধমেরে।
সংসার সাগর ঘোরে, পড়িয়াছি এইবারে,
কৃপা ডোরে বান্ধি লেহ মোরে॥
অধম চণ্ডাল আমি, দয়ার ঠাকুর তুমি,
শুনিয়াছি বৈষ্ণবের মুখে।
এ বড় ভরসা মনে, ফেল লয়ে বৃন্দাবনে,
বংশীবট যেন দেখি সুখে॥
কৃপা করি আগু গুরি, লহ মোরে কেশে ধরি,
শ্রীযমুনা দেহ পদছায়া।
অনেক দিনের আশ, নহে যেন নৈরাশ,
দয়া কর না করহ মায়া॥
অনিত্য এ দেহ ধরি, আপন আপন করি,
পাছে পাছে শমনের ভয়।
নরোত্তম দাস ভনে, প্রাণ কান্দে রাত্রিদিনে,
পাছে ব্রজ প্রাপ্তি নাহি হয়॥

(৯) ('নোঙবা')

পতিত পাবন প্রভু মদনগোপাল!
শ্রীগোবিন্দ গোপীনাথ! মপু-লৈতবগী মপু!
তোঙবা ননাইবু চানবিয়ু।
ফির' সংসার সমুদ্রদা, লৈরে হন্দক্তি তাহুনা,
কৃপাগী খোরৈনা চিংথংপিয়ু॥

তোল্লবা চণ্ডাল্লি ঐদি, থৌজানগী মপুনি নংদি,
তাজরে বৈষ্ণবকী মচীন্দা।
'সিমতদি নীংজৈ কন্না, পুবিনবা বৃন্দাবন্দা,
মুংঙাইনা বংশীবটপু উজবা ॥
চানবিহনা শন শানা, * পুবিয় ইশম পায়না,
পীবিয় যমুনা পদছায়া।
মতম কুইনদৈ নীংজবা, শীনবীয় কাযদনবা,
থৌজানবিয় তৌবিহ মায়া ॥
মাঙ্গদবা দেহ পুহনা, ঐগী ঐগী হায়হনা,
ইতুংদা ইনৈ যম্মু কিবনা।
নরোত্তম দাসনা হায়জৈ, থরায়না ভত্তনা কপচৈ
ব্রজ ফংঙরোইদরা হায়না ॥

(১০)

ধন মোর নিত্যানন্দ পতি মোর গৌরচন্দ্র,
প্রাণ মোর যগলকিশোর।
অদ্বৈত আচার্য্য বল গদাধর মোর কুল,
নরহরি বিলসই মোর ॥
বৈষ্ণবের পদধূলি, তাহে মোর স্নান কেলি,
তর্পণ মোর বৈষ্ণবের নাম।

---

* ঐদি অমুকী মতিক পতিত ওইত্রে; ইবুঙোনা ঐবু থৌজানবিগে হায়না; লেঙশিনকপদা অউবা শৌনা থামগান। মরম অদুনা শন শানা লোংনা লেঙশিনবিরকলগা ননাইবু চিংবিয়।

বিচার করিয়া মনে, ভক্তিরস আস্বাদনে,
মধ্যস্থ শ্রীভাগবত পুরাণ ॥
বৈষ্ণবের উচ্ছিষ্ট, তাহে মোর মন নিষ্ঠ,
বৈষ্ণবের নামেতে উল্লাস।
বৃন্দাবনে চৌতারা, তাহে মোর মন ঘেরা,
কহে দীন নরোত্তম দাস ॥

(১০) (মশাগী নিষ্ঠা)

ইরল ওইরি নিত্যানন্দ, ইবুংঙোনি গৌরচন্দ্র,
রাধাকৃষ্ণ অনিনা থরায়নি।
অদ্বৈতনা ইপাঙ্গয়ি, গদাধরনা শাগৈনি,
নরহারিনা[1] ঐগী বিলাসনি ॥
বৈষ্ণবাশিংগী পদধূলি, মাহুনা ওইার স্নান কেলি,
তর্পান্ন ঐগী বৈষ্ণবাশিংগী নামনা।
পুকনিংদা বিচার তৌহুনা, ভক্তিরস থকপদা,
ময়াম্ন লেপই শ্রীমদ্ভাগবতনা ॥[2]
বৈষ্ণবাশিংগী অরেমথাক্তা ঐগী পুকনিং লুপচরেদা
বৈষ্ণবশিংগী নামদতা হরাওজে।
বৃন্দাবনগী যোগপীঠদা,[3] ঐগী পুকানং থমজরেদা
তোঙবা নরোত্তমনা হায়জে ॥

---

(১) নরহরি ঠাকুর—শ্রীগৌরাঙ্গবু সখীভাবত ভজন তৌজবা মনাইনি। মাগী 'সখী ওইবগী বিলাসদুগুনি ঠাকুর মহাশয়গী বিলাসন হায়রিবসি।

(২) ভক্ত বৈষ্ণবশিংগী বিচার নৈনলিংঙাই লাইরক্তি শ্রীমদ্ভাগবতনি।

(৩) চৌতারা—চবুতরা, অপ্রকট বৃন্দাবন্দ শ্রীরাধাকৃষ্ণনা নিত্যলীলা শাগরিবহুবু বৈষ্ণবশিংনা ভজন তৌনরি। ইবুঙো-ইবেম্মগী বিরাজমান ওইকথু যোগপীঠ কৌই। অহুনা চবুতরাবু যোগপীঠ হায়না লৌজরি।

(১১)

নিতাই পদকমল, কোটিচন্দ্র সুশীতল,
যে ছায়ায় জীবন জুড়ায় ।
হেন নিতাই বিনে ভাই, রাধাকৃষ্ণ পাইতে নাই,
দৃঢ় করি ধর নিতাইয়ের পায় ॥
সে সম্বন্ধ নাহি যার, বৃথা জন্ম গেল তার,
সেই পশু বড় দুরাচার ।
নিতাই না বলিল মুখে, মজিল সংসার সুখে,
বিদ্যাকুলে কি করিবে তার ॥
অহঙ্কারে মত্ত হৈঞা নিতাই পদ পাসরিয়া,
অসত্যেরে সত্য করি মানি ।
নিতাইয়ের করুণা হবে, ব্রজে রাধাকৃষ্ণ পাবে,
ধর নিতাইয়ের চরণ দুখানি ॥
নিতাইয়ের চরণ সত্য, তাঁহার সেবক নিত্য,
নিতাই পদ সদা কর আশ ।
নরোত্তম বড় দুঃখী, নিতাই মোরে কর সুখী,
রাখ রাঙ্গা চরণের পাশ ॥

(১১) (মনশিক্ষা)

নিতাইগী চরণ থম্বাল্দি, থা-কোটিবু হেন্না ঈংবনি,
পুন্সিসে ঈংনৈ মাগী মকুমদা ।
'সিগুম্বা নিত্যাই নত্তনা, রাধাকৃষ্ণ ফংলোইনা,
চেৎনা কোজৌ নিত্যাইগী চরণদা

মাগা মরী থমজবদা, হৌগ্রে পুন্সি অরেম্বদা,
শাগা মাগৈ য়োনা ফত্রেদনা।
নিত্যাই শোজবদা চীন্দা, সংসার ঈরাংদা লুপলবা,
শাগৈজাংনা কৈদৌননি মহৈনা॥
নাপন্না ময়াই কারহুনা, নিত্যাই-চরণ কাউথোক্নুনা
লেপ্তববু অরেম্বনি থল্লি।
নিত্যাইনবু চানবিরদি, ব্রজদা রাধাকৃষ্ণ ফংই,
কোঞ্জো নিত্যাইগী চরণ অনি॥
নিত্যাইগী চরণ অরেম্বনি মাগী সেবক লেঙদবনি,
নিত্যাইগী চরণ নীংজো তত্তনা।
নরোত্তমদি রারেদকো, হে নিত্যাই চানবিয়ুকো,
থম্বিয়ু, ভাঙ্গ্রাবা চরন্নাক্তা॥

(১২)

আরে ভাই! ভজ মোর গৌরাঙ্গচরণ।
না ভজিয়া মৈনু দুঃখে, ডুবি গৃহ-বিষকূপে,
দগ্ধ হৈল এ পাঁচ পরাণ॥
তাপত্রয় বিষানলে, অহর্নিশি হিয়া জ্বলে,
দেহ সদা হয় অচেতন।
রিপুবশ ইন্দ্রিয় হৈল, গোরা পদ পাসরিল,
বিমুখ হইল হেন ধন॥
হেন গৌর দয়াময়, ছাড়ি সব লাজ ভয়,
কায়মনে লহরে শরণ।

পামর দুর্ম্মতি ছিল, তারে গোরা উদ্ধারিল,
তার হৈল পতিতপাবন ॥
গৌরা দ্বিজ নটরাজে, বান্ধহ হৃদয় মাঝে,
কি করিবে সংসার শমন।
নরোত্তম দাসে কহে, গোরা সম কেহ নহে,
না ভজিতে দেন প্রেমধন ॥

(১২) (মনশিক্ষা)

হে মরূপ ! নীংজো ঐগী গৌরাঙ্গচরণসে।
নীংদবৈ রাবনা শিরে, য়ুমকোবা হু'-কোমদা তারে,
চাকথেকলে থরায় মঙাসে ॥
মৈচাক 'হুমগী হুগী মৈনা, থম্মোইদা চাকলে তত্তনা
ইশি শিথরে হকচাং অসে।
ইন্দ্রিস্সু য়েকনবনা ঙমগ্রে, গৌর-চরণস্ম কাউথোকগ্রে,
পামলুদ্রে অসিগুম্ব। লনসে ॥
থৌজাল হৈবা গৌরাঙ্গদা, ইকাই-ইকি থাদোক্তনা,
চঙজহৌ পুক্লিং হকচাং য়াওনা।
পাপী মপুক ফত্তবদো, গৌরনা মাবু লানবিরেদো,
মাগী ওইরে তোম্ন'বু লানবিবা ॥
গৌর দ্বিজ নটরাজবু, থম্মোইদা পুন্দুনা থম্মু,
কৈদৌজরনি সংসার যমনা।
হায়জৈ নরোত্তম দাসনা, কনা লৈত্তে গৌরগুম্বা,
প্রেমধন পীবি নীংফাত্রিভৈনা ॥

(১৩)

গৌরাঙ্গের দুটি পদ, যার ধন সম্পদ,
সে জানে ভকতি-রস-সার।
গৌরাঙ্গের মধুর লীলা, যার কর্ণে প্রবেশিলা,
হৃদয় নির্ম্মল ভেল তার॥
যে গৌরাঙ্গের নাম লয়, তার হয় প্রেমোদয়,
তারি মুঞি যাই বলিহারি॥
গৌরাঙ্গ গুণেতে ঝুরে, নিত্যলীলা তারে স্ফুরে,
সে জন ভকতি অধিকারী॥
গৌরাঙ্গের সঙ্গিগণে, নিত্য সিদ্ধ করি মানে,
সে যায় ব্রজেন্দ্রসুত পাশ।
শ্রীগৌরমণ্ডল ভুমি, যেবা জানে চিন্তামণি,
তার হয় ব্রজভূমে বাস॥
গৌরপ্রেম রসার্ণবে, সে তরঙ্গে যেবা ডুবে,
সে রাধামাধব অন্তরঙ্গ।
গৃহে বা বনেতে থাকে, হা গৌরাঙ্গ! বলে ডাকে,
নরোত্তম মাগে তার সঙ্গ॥

(১৩) (শ্রীগৌরভক্তমহিমা)

গৌরাঙ্গগী চরণ-অনি, ওইজরিবা মরল মাগী,
মানা খঙই ভক্তিরসগী মচি।
গৌরাঙ্গগী নিংথি' লীলা, চঙব্রবদো মনাকোংদা,
অমকপা নৈতে মাগী থম্মোইদি॥

গৌরাঙ্গ নাম শোক্লবদো, প্রেমভক্তি পোকলে মীদো,
হয়াউনা মীহুবু থাগৎচরি।
গৌরাঙ্গ গুন্না পেৎলবা, নিত্য লীলা ফাওজরবা
মাত্তনি ভক্তিগী অধিকারী॥
গৌরাঙ্গগী সঙ্গিশিংদা, নিত্যসিদ্ধ ওইনা উবা,
মানা ক্বঙ্গনি নন্দগী মচা।
গৌরমণ্ডল কৌবা লম, চিন্তামনিনি খণ্ডবা ভম,
মানা ক্বঙ্গনি ব্রজদা লৈবা॥
গৌরপ্রেমগী ঈয়ায়লুংদা, লুপচরবা মহাক্ত্না,
ওই রাধামাধবকী অন্তরঙ্গ।
য়ুমদম্রু বন্দম্রু মানা, হা গৌরাঙ্গ ! শোক্লরবা,
নিঙ্গে নরোত্তমনা মাগী সঙ্গ॥

(১৪)

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য প্রভু দয়া কর মোরে।
তোমা বিনা কে দয়ালু জগৎ সংসারে॥
পতিত পাবন হেতু তব অবতার।
মো সম পতিত প্রভু না পাইবে আর॥
হা হা প্রভু নিত্যানন্দ ! প্রেমানন্দ সুখী।
কৃপাবলোকন কর আমি বড় দুঃখী॥
দয়া কর সীতাপতি অদ্বৈত গোসাঞি।
তবে কৃপাবলে পাই চৈতন্য নিতাই॥
হা হা স্বরূপ সনাতন রূপ রঘুনাথ।
ভট্টযুগ শ্রীজীব হা প্রভু লোকনাথ॥

দয়া কর শ্রীআচার্য্য প্রভু শ্রীনিবাস।
রামচন্দ্র সঙ্গ মাগে নরোত্তম দাস॥

(১৪) প্রার্থনা

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য প্রভু থৌজানবিয়ুগবা।
নং নত্তনা জগত্তা কনা লৈ থৌজানহৈবা॥
নংগী অবতারনি তোল্লববু লানবিনবা।
কংলরোইয়ে প্রভু ঐগুমনা কনা তোল্লবা॥
প্রেমানন্দদা তাউরিবা নিত্যানন্দ প্রভু!
থৌজান্মিংয়েংনা য়েংবিয়ু রারবা ননাইবু॥
থৌজানবিয়ু হে অদ্বৈত সীতাগী মবুঙো।
নংগী থৌজান্না চৈতন্য নিত্যাই কংজগেকো॥
হা হা স্বরূপ সনাতন রূপ রঘুনাথ।
ভট্ট অনি শ্রীজীব হা প্রভু লোকনাথ॥
শ্রীআচার্য্য প্রভু শ্রীনিবাস থৌজানবিয়ু।
নরোত্তমদা রামচন্দ্রগী সঙ্গ পীনবিয়ু *॥

(১৫)

যে আনিল প্রেমধন করুণা প্রচুর।
হেন প্রভু কোথা গেল আচার্য্য ঠাকুর॥

---

* রামচন্দ্র—রামচন্দ্র কবিরাজ। শ্রীনিবাস আচার্য্য প্রভুগী শিষ্যনি অমসুং ঠাকুর মহাশয়গী চান্নরবা মরূপনি। প্রার্থনাসি লেংবা মতমদা রামচন্দ্র কবিরাজ লোন্দাপ্রভুনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী নিত্যলীলাদা য়াওবা কংজ-শ্রবদুনা নরোত্তমনা হায়জার—"রামচন্দ্রগী সঙ্গ পীনবিয়ু।"

কাঁহা মোর স্বরূপ রূপ কাঁহা সনাতন।
কাঁহা দাস রঘুনাথ পতিতপাবন॥
কাঁহা মোর ভট্টযুগ কাঁহা কবিরাজ।
একবালে কোথা গেল গোরা নটরাজ॥
পাষাণে কুটিব মাথা অনলে পশিব।
গৌরাঙ্গ গুণের নিধি কোথা গেলে পাব।
সে সব সঙ্গীর সঙ্গ যে কৈল বিলাস।
সে সঙ্গ না পাএগা কান্দে নরোত্তমদাস॥

(১৫) ভক্ত মরাঁমগা লোয়নননা প্রভুনা থুপখিবদা কপচবা

প্রেম ধন থৌজাল মরাঙ কায়না পুরকলম্বদো।
হে আচার্য্য ঠাকুর! কদাইদা লেঙখ্রে প্রভুদো॥
কদাইদনো ঐগী স্বরূপ রূপ সনাতন্দি।
কদায় দাস রঘুনাথ তোল্লববু লানবিবদি॥
কদাইদনো ঐগী ভট্ট অনি কবিরাজ *।
পুন্না কদাইদা লেঙথরে গৌর নটরাজ॥
নুংদা ইকোক থেংজিন্নিঙলে মৈদা চোংশিন্নিঙলে।
গুণগী ভুংকম গৌরাঙ্গ কদাইদা ফঙ্গদগে॥
বিলাস তৌরম্বা সঙ্গী পুম্বদ্গা লোয়নবা।
নরোত্তমনা কপচরি সঙ্গদু ফংদদুনা॥

---

* কবিরাজ—শ্রীকৃষ্ণদাস কবিরাজ

(১৬)

হরি হরি ! বড় শেল মরমে রহিল।

পাইয়া দুর্লভ তনু, শ্রীকৃষ্ণ ভজন বিনু,
জন্ম মোর বিফল হইল ॥

ব্রজেন্দ্রনন্দন হরি, নবদ্বীপে অবতরি,
জগৎ ভরিয়া প্রেম দিল।

মুঞি সে পামর মতি, বিশেষে কঠিন অতি,
তেই মোরে করুণা নহিল ॥

স্বরূপ সনাতন রূপ, রঘুনাথ ভট্টযুগ,
তাতে না হৈল মোর মতি।

দিব্যচিন্তামণি-ধাম, বৃন্দাবন হেন স্থান,
সেই ধামে না কৈনু বসতি ॥

বিশেষ বিষয়ে মতি, নহিল বৈষ্ণবে রতি,
নিরন্তর খেদ উঠে মনে।

নরোত্তম দাস কহে, জীবার উচিত নহে,
শ্রীগুরুবৈষ্ণব সেবা বিনে ॥

(১৬) বিলাপ (কপচবা)

হরি হরি ! থম্মোইনুংদা তাশোন্না থিল্লে।

তাঙলবা হকচাং ফংলগা, শ্রীকৃষ্ণ নীংজহোদনা,
অরেম্বদা পুন্সিসি হোৎরে ॥

ব্রজ নিংথৌ-মপারিনা, নবদ্বীপ্তা পোকপিহ্না,
জগৎ থুংনা প্রেম য়েনবিরমলে।

ঐগী পাপচেনবা থম্মোইনা, খোইদোকনমক কনবনিনা,
ইবুঙো মান। খৌজানবিরমজে ॥
স্বরূপ সনাতন রূপ্তা, রঘুনাথ ভট্ট অনিদা,
মখোইহূদা পুকনিং হাপলুজে।
নিংথিবা চিন্তামণি-ধাম, বৃন্দাবন কৌবা মকম,
মকম অহুদস্নু লৈজরুজে ॥
বিষয়দা পুকনিং লুপলুরে, বৈষ্ণবতা রতি লৈরুজে,
পুকনিংসে ম্বারেদো তত্তনা।
নরোত্তমদাসনা হায়জরি, হিংবদা মতিক চাদবনি,
শ্রীগুরুবৈষ্ণব সেবা নত্তনা ॥

(১৭)

ঠাকুর বৈষ্ণব পদ অবনীর সুসম্পদ,
শুন ভাই ! হঞা এক মন।
আশ্রয় লইয়া সেবে, সেই কৃষ্ণভক্তি লভে,
আর সব মরে অকারণ ॥
বৈষ্ণব চরণ জল, প্রেমভক্তি দিতে বল,
আর কেহ নহে বলবন্ত।
বৈষ্ণব চরণরেণু, মস্তকে ভূষণ বিনু,
আর নাহি ভূষণের অন্ত ॥
তীর্থজল-পবিত্র গুণে, লিখিয়াছে পুরাণে,
সে সব ভক্তির প্রবঞ্চন।
বৈষ্ণবের পাদোদক, সব নহে এই সব,
যাতে হয় বাঞ্ছিত পূরণ ॥

বৈষ্ণব সঙ্গেতে মন, আনন্দিত অনুক্ষণ,
সদা হয় কৃষ্ণ পরসঙ্গ ।
দীন নরোত্তম কান্দে, হিয়া ধৈর্য্য নাহি বান্ধে,
মোর দশা কেন হৈল ভঙ্গ ।'

(১৭) বৈষ্ণব মহিমা

ঠাকুর বৈষ্ণবকী চরন্দি, তাইবংগী অথোইবা লম্নি,
তাও মরুপ ! পুক্লিং অনি লোওদনা ।
চওজহনা সেবা তৌবদো, কৃষ্ণ ভক্তি ফংই মীদো,
অতৈ ওমনা শিনি অরেম্বদা ॥
বৈষ্ণবকী চরণামৃতদি, প্রেমভক্তি পীবা ওম্নি,
অতৈ কনানসু পীবা ওমদে ।
বৈষ্ণবকী খুয়া-উফুলনা, কোক্তা লৈতেংবা নত্তনা
অতৈ লৈতেংনা কৈস্নু কায়দে ॥
তীর্থজল শেংবগী গুন্দো পুরান্দা ইরম্মিদো,
মাহু'পুম্বনা ফংদে ভক্তিবু ।
বৈষ্ণবকী চরণামৃতগা, মায়দে আস পুম্বগা,
মাদি থুংহল্লি নীংবা পুম্ববু ॥
বৈষ্ণব সঙ্গনা পুকনিংদা, লুংভাহহল্লি মতম পুম্বা,
কৃষ্ণগী রারা শানৈ ওত্তনা ।
নরোত্তমনা কপচরি, তপথবা য়াদে থম্মোইসি
ঐগী দশা ফওেদা ওম্মোকনা ॥

(১৮)

ঠাকুর বৈষ্ণবগণ ! করি এই নিবেদন,
মো বড় অধম দুরাচার।
দারুণ সংসার-নিধি, তাহে ডুবাইল বিধি,
কেশে ধরি মোরে কর পার ॥
বিধি বড় বলবান্, না শুনে ধরম জ্ঞান,
সদাই করমপাশে বান্ধে।
না দেখি তারণ লেশ, যত দেখি সব ক্লেশ,
অনাথ কাতরে তেঁঞি কান্দে ॥
কাম, ক্রোধ, লোভ, মোহ, মদ, অভিমান সহ,
আপন আপনা স্থানে টানে।
আমার ঐছন মন, ফিরে যেন অন্ধজন,
সুপথ, বিপথ নাহি জানে ॥
না লইনু সৎ মত, অসতে মজিল চিত,
তুয়া পায়ে না করিনু আশ।
নরোত্তমদাসে কয়, দেখি শুনি লাগে ভয়,
তরাইয়া লহ নিজ পাশ ॥

(১৮) বৈষ্ণবতা হারজবা

হে ঠাকুর বৈষ্ণবশিং ! হঙ্গৎচরি অসিমতং,
ঐসে য়ামনা তোম্রে লমচৎ কত্রে।
সংসার ঈপাক তমখিদা, বিধিনা লুপহল্লে 'হৃদা,
শম পায়হুনা ঐবু কলবিয়ুনে ॥

বিধি কৌবা কল্লিদা, ধর্ম্ম-জ্ঞান তাবিদেদ্দা,
ঐবু পুক্লে কর্ম্মগী থৌরীনা।
থজিককাও উক্রে লাম্লবা, 'রাবতাক্তা রেংথিবদা,
'হুনা ক্বপালি গতি লৈত্রবনা॥
কাম-ক্রোধ-লোভ-মোহনা, মদ-নম্নু নাপল মাওনা,
চিংহই মাগী মাগী মাইকৈদা।
ঐগী পুকনিংম্নু অম্নুমনা, মীত্তাওবনা ত্তৌবগুমনা,
কোয়না চৎলি কৈ-কত্তে থগুদনা॥
সাধুগী পাউতাক লৌক্লব্রে, কত্তবদা পুক্লিং লুপলুরে,
আশা থমলুক্লে নংগী চরন্দা।
নরোত্তম দাসনা হায়জে, থগুউ উকরগা কিজৈ,
লানবিক্ল্লা থদ্বিরো ননাক্তা॥

(১৯)

এইবার করুণা কর, বৈষ্ণব গোসাঞি।
পতিতপাবন তো'মা বিনে কেহ নাই॥
কাহার নিকটে গেলে পাপ দূরে যায়?
এমন দয়াল প্রভু কেবা কোথা পায়॥
গঙ্গার পরশ হ'লে পশ্চাতে পাবন।
দর্শনে পবিত্র কর এই তোমার গুণ॥
হরি-স্থানে অপরাধ তারে হরিনাম।
তোমা স্থানে অপরাধ নাহিক এড়ান॥
তোমার হৃদয়ে সদা গোবিন্দ বিশ্রাম।

গোবিন্দ কহেন মম বৈষ্ণব পরাণ ॥
প্রতি জন্মে করি আশা চরণের ধূলি।
নরোত্তমে কর দয়া আপনার বলি ॥

(১৯) বৈষ্ণবতা নো[illegible]বা

হন্দক্তি হে বৈষ্ণব-গোসাই চানবিরোগবা।
কনা লৈতে নংগুম্বা তোম্নবু কনবিবা ॥
কনাগী নাক্তা চৎলগা পাপপু কোকবা।
অম্বুক চানবিহৈবা মপু কদাইদা ফংগবা ॥
গঙ্গাদি শোকচরুরগা কোন্না লানবিবনি।
উজবত্তদা শেংদোকপিবা নংগী নগুন্নি ॥
হরিদা লঙ্জরুবদি হরিনামনা কোকপি।
নঙোন্দা লঙ্জবদি লৈত্রে কোকনবা লম্বি ॥
নংগী থম্মোইদা তত্তনা গোবিন্দনা ঙানবি।
'বৈষ্ণবনা ঐগী থব্রায়নি'·গোবিন্দনা তাকপি ॥
থুয়াগী উফুল নিজরি মপোক থুদিংমক্তা।
নরোত্তম্বু শোজানবিয়ু ননাইনি থন্দুনা ॥

(২০)

কিরূপে পাইব সেবা মুই দুরাচার।
শ্রীগুরু বৈষ্ণবে রতি না রহিল আমার ॥
অশেষ মায়াতে মন মগন হইল।
বৈষ্ণবেতে লেশমাত্র রতি না জন্মিল ॥
গলেতে ফাঁস দিতে ফিরে মায়া পিশাচী।
বিষয়ে ভুলিয়া অন্ধ হৈনু দিবানিশি ॥

ইহারে করিয়া জয় ছাড়ান না যায়।
সাধুকৃপা বিনা আর নাহিক উপায় ॥
অদোষদরাশি! প্রভু! পতিত-উদ্ধার।
এইবার নরোত্তমে করহ নিস্তার ॥

(২০) বৈষ্ণবতা নোঞ্জবা

করমনা ফজনি সেবা লমচৎ নাইত্রবনা।
পোকচহৌন্ত্রে ঐগী রতি শ্রীগুরু বৈষ্ণবতা ॥
অরোইবা নাইদবা মায়াদা পুকনিং লুপলুরে।
বৈষ্ণবত্তদি খজিক্ত ফাওবা রতি লৈরুন্ত্রে ॥
ঙক্তা খৌরী হুকপদা মায়ানা হয়া হয়া।
অহিং সুংখিল মমলুরে বিষয়না শুন্ধাক্তুনা ॥
নাম্থোকপা কৌবা মঙমক্রে মাবু জয় তৌহ্না ॥
লৈত্রে তৌনিঙাই উপায় সাধুকৃপা নত্তনা ॥
তোজববু কনবিবা ঙাকপিহৈবা হে প্রভু!
হন্দক্তি লানবিরোগবা নরোত্তম দাসবু ॥

(২১)

হরি! হরি! কি মোর করম অভাগ।
বিফলে জনম গেল, হৃদয়ে রহিল শেল,
নাহি ভেল হরি-অনুরাগ ॥
যজ্ঞ, দান, তীর্থস্নান, পুণ্যকর্ম্ম, জপ, ধ্যান,
অকারণে সব গেল মোহে।

বুঝিলাম মনে হেন, উপহাস হয় যেন,
বস্ত্রহীন অলঙ্কার দেহে ॥
সাধুমুখে কথামৃত, শুনিয়া বিমল চিত,
নাহি ভেল অপরাধ কারণ ।
সতত অসৎ-সঙ্গ, সকলি হইল ভঙ্গ,
কি করিব আইলে শমন ॥
শ্রুতি স্মৃতি সদা কয়, শুনিয়াছি এই হয়,
হরিপদ অভয়-শরণ ।
জনম লভিয়া সুখে, রাধাকৃষ্ণ বল মুখে,
চিত্তে কর ওরূপ ভাবন ॥
রাধাকৃষ্ণ দুঁহু পায়, তনু মন রহুঁ তায়,
আর দূরে যাউক বাসনা ।
নরোত্তম দাসে কয়, আর মোর নাহি ভয়,
তনু মন সঁপিনু আপনা ॥

(২১) প্রার্থনা

হরি ! হরি ! ঐগী কর্ম্ম ফংখিত্রেদা ।
অরেম্বদা পুন্সি হোৎলে, থম্মোইদা তাশোম্না থিল্লে,
হরিদা ভক্তি কৈজহোত্রেদা ॥
যজ্ঞ, দান, তীর্থস্নান, পুণ্যকর্ম্ম, জপ, ধ্যান,
পঙ্না তৌরুরে মরম চাদনা ।
পুকনিংদা অম্পূম থজ্জি, নোকনিংবগুম্বনি,
লিক্‌কোল সিবদা ফিদি শেত্তনা ॥

সাধুগী অমৃত-বানি, তারগা থম্মোই শেংবনি,
'হুবু ওইত্রে অপরাধ লৈবনা। *
নত্তবা সঙ্গ তৌরুরে, ওমনমক কায়রে তোইরে,
করি তৌনি শিরমদাই মতমদা ॥
শ্রুতি স্মৃতিনা হায়নরি, তাজৈ হরিগী চরন্দি,
চঙজফমনি কিনিঙায় লৈত্রবা।
হরাওনা মীওয়-মপোক্তা, রাধাকৃষ্ণ শোঞ্জৌ চিন্দা,
শ্রীমূর্তিদো লাৎচৌ থম্মোইনুংদা ॥
রাধাকৃষ্ণগী চরন্দা, পুকনিং-হকচাং লুপচরোদা,
মাঙথ্রসহু সংসার-বাসনা।
নরোত্তম দাসনা হায়জরি, কিনিঙাই লৈত্রে ঐগীদি,
পুকনিং-হকচাং কৎচরে চরন্দা ॥

(২২)

হরি! হরি! আর কি এমন দশা হব।
এ ভব সংসার ত্যজি, পরম আনন্দে মজি,
আর কবে ব্রজভূমে যাব ॥
সুখময় বৃন্দাবন, কবে হব দরশন,
সে ধূলি লাগিবে কবে গায়।

* সাধুগী মকমদগী কৃষ্ণ কথামৃত তারগা কৃষ্ণভক্তি পোকদবনি। অদুবু অপরাধনা মরম ওইদুনা ওইত্রে। অপরাধদি মখল অহুমনি—নামাপরাধ, সেবাপরাধ অমসুং বৈষ্ণবাপরাধ। অসিগী অকুপ্পা মরোলদি "বিন্দু" দা কংবিগনি। (লেখকনা খোমজিঙবা বিন্দু-কিরণ-রাগবর্ত্ম চন্দ্রিকা য়েংবিয়ু।)

প্রেমে গদ গদ হৈঞা, রাধাকৃষ্ণ নাম লৈঞা,
কান্দিয়া বেড়াব উভরায় ॥
নিভৃতে নিকুঞ্জে যাঞা, অষ্টাঙ্গে প্রণাম হৈঞা,
ডাকিব হা রাধানাথ! বলি।
কবে যমুনার তীরে, পরশ করিবে নীরে,
কবে পিব করপুটে তুলি ॥
আর কবে এমন হব, শ্রীরাসমণ্ডলে যাব,
কবে গড়াগড়ি দিব তায়।
বংশীবট ছায়া পাঞা, পরম আনন্দ হঞা,
